ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ ꯁ꯭ꯄꯣꯔꯇꯁ

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস








ইন্দিয়াগী নুপীগী মিটর ১০০গী লমজেলদা নেসনল রেকোর্দ থম্বা ঙল্লিবী অদুগা ঙরাং অতোপ্পা নহা ওইরিবা এথলিট অমগী মখূৎতা মায়থীদুনা ফেদরেসন কপ সিনিয়র নেসনল এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপতা ২শুবা তাহৌরবী দুটি চান্দ

৮২রকশুবা জুনিয়র এন্দ য়ুঠ নেসনল টেবল টেন্নিস চেম্পিয়নশিপতা কর্নাটাকাগী য়েসাস্বিনি ঘোরপাদেবু ৮-১১, ১১-৭, ১১-৮,১০-১২, ৫-১১, ১১-৮, ১১-২দা থোইদুনা য়ুঠকী টাইটল ফংখ্রবী মহারাষ্ট্রগী দিয়া শিটালে

## ৫শুবা মেটচ ৱিকেট ৫দা ইন্দিয়াবু সাউথ অফ্রিকানা থোইদুনা সেরিজ অদু মেটচ ৪-১দা মায়পাক্কুনা লৌখ্রে




লক্ষ্ণৌ, মার্চ ১৭ (এজেন্সী) :

ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিমগী সাউথ অফ্রিকাগী টিমগা মেটচ মঙাগী ওইবা ৱান-দে সেরিজ অদুগী ঙসি লক্ষ্ণৌদা লৈবা ভারত রত্না শ্রি অটল বিহারী ভাজপায়ি ইকানা ক্রিকেট ষ্টদিয়মদা শান্নখিবা সেরিজ গী অরোইবা মেটচ অদু সাউথ অফ্রিকানা ৱিকেট ৫দা থোইবা ঙমদুনা মমাংদা মেটচ ৩-১দা সেরিজ মাংজিল থাদুনা লাকখিবা অদু মেটচ ৪-১দা সেরিজ লৌখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদুগী টোস সাউথ অফ্রিকানা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা ইন্দিয়ানা মখোয়গী ইন্নিংস শান্নরকপদা ওভর ৪৯গা বোল ৩দা ৱিকেট ৯ আউট ওইরগা রন ১৮৮ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী হৌরকপদা য়াম্না ফজবা ওইখিদে। অহানবা ৱিকেট অপুনবা রন ২৬তা আউট ওইখি। ওপনর প্রিয়া পুনিয়া বোল ২৫দা রন ১৮ লৌরম্লগা সাউথ অফ্রিকাগী কেপনা আউট তাহনখি।

নৌনা চঙলকখিবা পুনম রাৱট অমদি অতোপ্পা ওপনর স্মিৃটি মনধনানা ইন্নিংস অদু রন ৫২ ফাওবা পুরকখি। রাৱট রন ১০ লৌরম্লগা আউট ওইখি। হরমনপ্রিট কোর নৌনা চঙলকখি। পার্টনর্শিপ শেম্বা হৌদ্রিঙৈ স্মিৃটি রন ১৮দা আউট তাখি।

হরমনপ্রিট অমদি কেপ্তেন মিথালি রাজনা ইন্দিয়াগী রন ৫৩দা ৱিকেট ৩ আউট ওইখিবা ফিভম অদুদগী শেমগৎলক্তুনা ৪শুবা ৱিকেট পার্টনর্শিপ অদুদা সাউথ অফ্রিকাগী বোলরশিং অদুবু য়াম্না ফজবা মওংদা মায়োক্নদুনা শান্নবা ঙমখি। মখোয় অনীনা রন ৮৪ হাপচিন্দুনা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর ১৩৭ য়ৌহল্লকপদা বোল ৫০দা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৩০ লৌদুনা লৈরিবা হরমনপ্রিট কোর শোকপদগী মখাতানা শান্নবা ঙমদনা ফিল্ডদগী থোকখি।

ইন্দিয়াগী মখাতারকপা ইন্নিংস অদুদা কেপ্তেন মিথালি রাজনা আউট ওইদনা বোল ১০৪দা সিক্স অমগা ফোর ৮ য়ৈদুনা অপুনবা রন ৭৯ লৌবা ঙমখ্রবসু অতোপ্পা বেটচবুমেনশিংনা মতেং পীরকপা ঙমখিদবদগী রন ১৮৮দা ইন্নিংস লোয়শিনখি।

মায়পাক্নবা সাউথ অফ্রিকানা রন ১৮৯ লৌগদবা অদু ৱিকেট ৫খক আউট ওইরগা ওভর ৪৯গী অনীশুবা বোলদা মেটচ অদু মখোয়না রন ১৮৯ লৌদুনা থোইখি।

টিম অদুগী অহৌবা বেটসবুমেনসিং ফজবা ঙমখিদ্রবসু মরীশুবা অমসুং মঙাশুবা বেটসবুমেন মিগনোন প্রিজ অমসুং অনি বোসনা মথংশিংনা রন ৫৭ অমসুং ৫৮ লৌখিবা অদুনা টিম অদুগী মায়পাকপগী অচৌবা মতেং ওইহনবা ঙমখি। ৫শুবা বেটসবুমেন কাপসু রন ৩৬ লৌরমখি।

## সব-জুনিয়র নেসনল হোক্কীদা মণিপুরনা গুজরাটপু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ১৭-০দা থোইবা ঙমখ্রে



জিন্দ, মার্চ ১৭ (এজেন্সী) :

হরিয়ানাগী সিটি জিন্দদা ঙসিদগী হৌখিবা ১১শুবা হোক্কী ইন্দিয়া সব-জুনিয়র মেন্স নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা পুল ঐচতা হোক্কী মণিপুরনা হোক্কী গুজরাটপু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ১৭-০দা মায়থীবা পীখ্রে। টুর্নামেন্ট অসি পূন্না টিম ২৬না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৮ থোক্লা লম্বা তৌনবনি।

ঙসি মণিপুরগী সব-জুনিয়র টিম অদুনা পুল ঐচতা হোক্কী গুজরাটকা লম্বা তৌনখি। নাকল অনীগী শান্নরোয়শিংগী লম্বা অদু মণিপুরগী শান্নরোয়শিং অদুনা হৌবদগী লোইবা ফাওবা খূদুম চনবা ঙমখি। মণিপুরগী শান্নরোয় মোইরাংথেম সুসান্তনা পূন্না পাঞ্জল ৬ চনবা ঙমখি। নিংথৌজম রোহিটনা পাঞ্জল ৪ অদুগা কেপ্টেন দিপু লাইশ্রমনসু পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখি। ঙসিগী মেটচ অদুদা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা অতোপ্পা শান্নরোয়শিং অদুদি সুরেশ শর্ম্মা অধিকারিময়ুম, বোরিশ ক্ষেত্রিময়ুম অমসুং য়ুম্নাম রিশিনি।

শান্নবগী অহানবা ক্বার্টরদা মণিপুরগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৬ চনবা ঙমখি। নিংথৌজম রোহিটনা ফিল্ডগী গোলগী মতেংনা ক্বার্টর অদুদা পাঞ্জল ৪ চনখি। লাইশ্রম দিপু অমসুং অধিকারিময়ুম সুরেশনা পাঞ্জল অমমম্ চনখি। ক্বার্টর অদু লোইশিল্লকপদা মণিপুরনা গুজরাটপু ৬-০দা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা ক্বার্টরদা সুসান্ত মোইরাংথেমনা পাঞ্জল ২ অদুগা য়ুম্নাম রিশিনা পাঞ্জল ১ চল্লগা মেটচ অদুগী অনীশুবা ক্বার্টর লোইশিল্লকপা অদুগা অহানবা হাফকী মতম লোইশিল্লকপদা মণিপুরনা গুজরাটপু ৯-০দা হেন্দুনা লৈখি।

মেটচকী অহুমশুবা ক্বার্টরদা সুসান্তনা পাঞ্জল ২, দিপুনা পাঞ্জল ২ অমসুং ক্ষেত্রিময়ুম বোরিশনা পাঞ্জল ১ চল্লগা মখা তানা পাঞ্জল ৫ হাপচিনখিদুনা স্কোরবোর্দতা মণিপুরগী পাঞ্জল ১৪ অদুগা গুজরাটকীনা ০দা লৈখি। মরিশুবা অমসুং অরোইবা ক্বার্টরদা সুসান্ত মোইরাংথেমনা পাঞ্জল ২ অদুগা লাইশ্রম দিপুনা পাঞ্জল ১ চল্লগা ঙসিগী মেটচ অদু মণিপুরনা গুজরাটপু ১৭-০দা মায়থীবা পীখি।

গ্রুপ অদুমক্তুদা মহারাষ্ট্রনা পুদুচেরিবু পাঞ্জল ১৫-০দা থোইখি। মহারাষ্ট্রগী মায়কৈদগী অর্জুন সন্তোশনা পাঞ্জল ৫ চন্দুনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখি। অকসে য়াদবনা পাঞ্জল ৪ চনখি।

পুল এদা হোক্কী ওরিষানা হোক্কী উত্তরখন্দবু পাঞ্জল ৫-০দা থোইখি। পুল সীদা হোক্কী ঝরখন্দনা কেরলা হোক্কীবু পাঞ্জল ১৪-০দা থোইবা ঙমখি। ঝরখন্দগী মায়কৈদগী কেপ্টেন সুবনাথ বুরিয়া অমসুং অধিসন মিন্সনা পাঞ্জল ৩/৩ চনবা ঙমখি। লোয়ননা সুমিট বারুৱা, বিনিট টোপো অমসুং অভিসেক টিগা পাঞ্জল ২/২ চনখি।

পুল জিগী মেটচ অমদা হোক্কী বিহারনা হোক্কী হিমাচলবু পাঞ্জল ১১-০দা থোইখি। বিহারগী মায়কৈদগী রবিনা পাঞ্জল ৪ চনখি। অদুগা দানিশনা পাঞ্জল ৩ চনখি। গ্রুপ অদুমক্তুদা দেল্লী হোক্কীনা হোক্কী অরুনাচলবু পাঞ্জল ৩-১দা থোইখি। দেল্লীগী রোহিটনা পাঞ্জল ২ চনখি।

## হরিয়ানা অমসুং ঝরখন্দনা ফাইনেল শান্নরগনি



সিমদেগা, মার্চ ১৭ (এজেন্সী) :

ঝরখন্দগী সিমদেগাদা থা অসিগী ১০দগী হৌখিবা ১১শুবা হোক্কী ইন্দিয়া সব-জুনিয়র ৱিমেন নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০২১গী ফাইনেলদা য়ূম্বু হোক্কী ঝরখন্দ অমসুং হোক্কী হরিয়ানা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেলদা হোক্কী হরিয়ানা অমসুং হোক্কী উত্তর প্রদেশ লম্বা তৌনখি। হোক্কী হরিয়ানাগী মায়কৈদগী য়াদব তমন্নানা পেনাল্টি কোর্নর অমা লোয়ননা ফিল্ড গোল অনী চল্লগা হেটট্রিক ফংখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী সিৱাস কনিকানা পাঞ্জল ২ অদুগা ইশিকাসু পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টরদা হরিয়ানাগী মায়কৈদগী পেনাল্টি কোর্নরগী মতেংদা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। মেটচ মখা চত্থরকপা অনীশুবা ক্বার্টরদা হরিয়ানানা মখা তানা ফিল্ড গোল ৪ হাপচিনবা ঙমখি। অনীশুবা হাফ অদুগা অহুমশুবা ক্বার্টর অদুদসু হরিয়ানাগী মায়কৈদগী ফিল্ড গোল অনী হাপচিল্লবা মতুং অরোইবা অমদি মরিশুবা ক্বার্টর অদুদা মখা তানা হোক্কী হরিয়ানাগী মায়কৈদগী ফিল্ড গোল ৩ চনশিল্লগা উত্তর প্রদেশ হোক্কীবু মখোয়না পাঞ্জল ১০-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

অনীশুবা সেমীফাইনেলদা য়ূম্বু হোক্কী ঝরখন্দ অমসুং হোক্কী ওরিষা লম্বা তৌনখি। অহানবা ক্বার্টরদা টিম অনীমক লম্বা য়াম্না মান্নখি। হোক্কী ঝরখন্দগী মায়কৈদগী মিন্স নিশানা ফিল্ড গোল অমা চল্লগা ১-০দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা ক্বার্টরদসু নিশানা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা অহানবা হাফ অদু ২-০দা হোক্কী ওরিষাবু মাঙজিল থারগা লৈখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা মতুং ৩শুবা ক্বার্টরদা হোক্কী ঝরখন্দগী মায়কৈদগী বারুৱা পুর্ণিমা অমসুং ভেঙ্গ্রা ফুলমনিনা ফিল্ড গোল অমমম্ চল্লগা ৪-০দা হোক্কী ওরিষাবু হেনখি।

মরিশুবা অমদি অরোইবা ক্বার্টরদা হোক্কী ঝরখন্দগী মায়কৈদগী ভেঙ্গ্রা ফুলমনিনা মহাক্কী অনীশুবা অদুগা টিম অদুগী ওইনা ৫শুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা হোক্কী ওরিষাবু মখোয়না পাঞ্জল ৫-০দা থোইদুনা হয়েং ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

অয়ূক্কী মেটচতা ৩শুবা পোজিসনগীদমক্তা উত্তর প্রদেশ হোক্কী অমসুং হোক্কী ওরিষা শান্নগনি।

## ১৪শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ফুটবোল ২০২১ থা অসিগী ২২দগী হৌরগনি



ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)না শীন্দুনা খুমুকচম জয়কিষননা স্পোন্সর তৌবা ১৪রকশুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১ লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা টিম ১৭না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ২২দগী হৌরগনি।

গ্রুপ এদা পূন্না টিম ৯না শরুক য়াগনি। টিমশিং অদুদি দি এম রাও অৱাং সেকমাই, জি এস সী চুড়াচান্দপুর, এস এস য়ু শীংজমৈ, ৱাই য়ু এফ সী উখ্রুল, ট্রাও এফ সী ক্বাকৈথেল, এস য়ু সগোলবন্দ, ক্লাসা এফ সী কৈনৌ, নেরোকা এফ সী সঙাকফম অমসুং কে আই ৱাই সী ক্ষেত্রিগাওনি।

গ্রুপ বিদা এম পি এস সী পুলিস হেদক্বার্টর, নিশা থাংমৈবন্দ, এম এ কাংপোকপী, এ আই এম খাবম, য়ং ফিজিক য়ুনিয়ন ললাম্বুং মখোঙ, নাকো নম্বুল মপান, এ এফ সী থৌবাল অথোকপম অমসুং য়ু কে বি চুড়াচান্দপুরনি।

থা অসিগী ২২দগী হৌগদৌরিবা মণিপুর ষ্টেট লীগ অসিগী অহৌবা মেটচতা গ্রুপ এগী জি এস সী চুড়াচান্দপুর অমসুং কে আই ৱাই সী ক্ষেত্রিগাও শান্নগনি। থা অসিগী ২৪দা এস এস য়ু অমসুং নেরোকা এফ সী লম্বা তৌনগনি। অদুগা নুমীৎ অদুগী অনীশুবা মেটচতা এম পি এস সী অমসুং য়ু কে বি শান্নগনি। থা অসিগী ২৬তা নিশা থাংমৈবন্দ অমসুং এ এফ সী থৌবাল অথোকপম শান্নগনি। অদুগা অনীশুবা মেটচতনা ক্লাসা এফ সী অমসুং ৱাই য়ু এফ সী উখ্রুল লম্বা তৌনগদৌরি। থা অসিগী ২৮দা মেটচ অমখক শান্নগদবা অদু ট্রাও এফ সী অমসুং এস য়ু সগোলবন্দনি।

ঙসি অম্ফাগী মায়কৈদগী থোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না টিমশিংনা শান্নবা হৌগদবা মতমগী মাংওইননা মিনট ৯০ ঙন্না লাক্কদবনি। শান্নরোয় অমদি ওফিসল পুম্নমক অম্ফানা পীবা আইদেন্টিটি কার্দ য়াওরক্কদবনি। মদু য়াওদ্রবদি চঙবা য়ারোই হায়রি। য়ুনিফোর্ম মান্নবা মতাংদা টিম বিনা মখোয়গী রিজর্ভ কলর অদু শীজিন্নগদবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী মখা তাবা ফিচর থা অসিগী ২৮দা অমুক থোক্কনি হায়রি।

মরক অসিদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনা শীন্দুনা চত্থরক্লিবা ১১রকশুবা অম্ফা সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগ ফোর বি এম সিংহ ট্রোফি ২০২০-২১ (ইন্দিয়ন্স ৱিমেন লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী প্রি ক্বালিফায়িংসু ওইরিবা)গী থা অসিগী ২২দা ১০শুবা অমদি ১১শুবা মেটচ শান্নগদবা অদু লম্লোং থোংখোঙগী এষ্ট্রো টর্ফ গ্রাউন্দ অসিমক্তুদা থা অসিগী ২৩দা শান্নরগনি হায়না অম্ফাগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এল নবানা ফোঙদোরক্লি।

## দুটি চান্দ ধনলক্সমীনা নুপীগী মিটর ১০০গী লমজেলদা মায়থীবা পীখ্রে, হিমা দিসক্বালিফাই ওইখ্রে









পটিয়ালা, মার্চ ১৭ (এজেন্সী) :

পঞ্জাবকী পটিয়ালাদা চত্থরিবা ফেদরেসন কপ সিনিয়র নেসনল এথলেটিক চেম্পিয়নশিপকী ঙরাং অথেংবদা লোইশিনখিবা নুপীগী মিটর ১০০গী লমজেলদা ইন্দিয়াগী রেকোর্দ থম্বা ঙল্লিবী দুটি চান্দবু এস ধনলক্সমীনা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা হিমা দাস দিসক্বালিফাই ওইখ্রে।

পটিয়ালাগী নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টসকী কেম্পসতা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা নুপীগী মিটর ১০০গী লমজেল অদুদা ইন্দিয়াগী রেকোর্দ থম্বা ঙল্লিবী দুটি চান্দনা লমজেল অদু সেকেন্দ ১১.৫৮ চেল্লগা অনীশুবা পোজিসন তাখি। অদুগা মশাগী চহী ২২দা ঙাইরিবী টামিল নাদুগী এথলিট এস ধনলক্সমীনা সেকেন্দ ১১.৩৯ চেন্দুনা চেম্পিয়ন ওইখি। অহুমশুবা পোজিসন অদুসু টামিল নাদুগী এথলিট অর্চনা সুসিন্দ্রননা সেকেন্দ ১১.৭৬ চেল্লগা ফংখি।

ইন্দিয়াগী মিটর ৪০০গী নুপীগী চেম্পিয়ন হিমা দাসনা মিটর ১০০গী লমজেল অদুদা শরুক য়াদুনা কম্পিটিসন অদু য়াম্না নুংঙাইবা অমা ওইগনি হায়না খনখিবনি। অদুবু মহাক লমজেল অদুগী হৌবদা হান্না চেনবা হৌরুবগীদমক দিসক্বালিফাই ওইখি।

নুপীগী মিটর ১০০গী লমজেলগী ওইনা ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফিকেসন মতম অসি সেকেন্দ ১১.১৫নি। মরম অদুনা ঙরাংগী রিজল্ট অদুদা ইন্দিয়াগী এথলিট অমত্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদে। নুপাগীদা পঞ্জাবকী গুরিন্দরভিরনা সেকেন্দ ১০.৩২ চেল্লগা মকোক ওইখি।

## ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং পাকিষ্টানগী আইসাম কুরেসি অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌরে

একাপুলকো, মার্চ ১৭ (এজেন্সী) :

মেক্সিকোগী সিটি একাপুলকোদা পাঙথোক্লিবা নুপাগী এবিয়র্টো মেক্সিকানো টেলসেল টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসকী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়া রোহন বোপানা অমসুং পাকিষ্টানগী আইসাম উল হক কুরেসিগী প্যের অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌরে।

ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানগী প্যের অদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ প্যের গ্রেট বৃটেনগী জে মি মুরে অমসুং ব্রাজিলগী বুলনো সাওরেজকা লম্বা তৌনবনি। অহানবা সেট অদু ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানগী প্যের অদুনা টাই ব্রেকতা ৭-৬ (৭-৪)দা থোইখি। অদুবু অনীশুবা সেটতা গ্রেট বৃটেন অমদি ব্রাজিলগী প্যের অদুনা ৬-২দা থোইরগা সুপর টাই ব্রেক শান্নরকপদা মুরে অমসুং সাওরেজনা ১০-১দা থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

সিঙ্গলসতা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রবশিংগী মনুংদা ফ্রান্সকী বি পাইরেবু থোইরম্বা গ্রিজকী ষ্টিফানোস সীসীপাস য়াওরি।


ANGELS' COACHING CENTRE ꯑꯦꯟꯖꯦꯜ
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY


ADMISSION OPEN CLASS 10 REVISION Starts on 12th Feb., 2021
FOUNDATION COURSE Class 6 to 10 Starts on 19th February 2021



Reshmi Nandeibam
PITAMBRA ENGLISH SCHOOL
D/o. N. Rishinanda & RK Sanahanbi
1ST POSITION 2020

It is, indeed, a true fact that Angel's is one of the best and trustworthy coaching institutes in Imphal where we can rely upon for gaining success in the HSLC Examination. Indeed, the facilities provided by Angel's Coaching Institute helped me a lot in gaining this kind of success.
— Reshmi Nandeibam

TOPPERS of 2020



9TH POSITION — NOVEENA KSH, D/o. Sarvodayachand, Nirmalabas
10TH POSITION — CHALTAN Y., S/o. Y. Shantikumar, St. Joseph
15TH POSITION — TH. JEET, S/o. Th. Rashi, St. Joseph
19TH POSITION — DHANTHOI S., D/o. S. Homeshor, Nirmalabas
19TH POSITION — MARY L., D/o. Dr. John P., Little Flower
25TH POSITION — H. NANDIBALA, D/o. H. Nandalal, Nirmalabas
25TH POSITION — HENRY O, S/o. O. Kumud, St. Joseph


| HSLCE 2021 MEGA MOCK TEST | Exam - Time 1p.m. to 4 p.m. | Date | 22/03/2021 | 24/03/21 | 27/03/21 | 03/04/21 | 05/04/21 | 08/04/21 |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | Sub: | Maths | MIL | S. Sc. | Science | English | Adl. Sub. |

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS CONTACT : 7628946313 / 9612441824 / 8732022342

HL-B/6780/10/2-17/3


## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE

### PUZZLE NO. 55



**Stefanova, Antoaneta BUL (2330) - Peptan, Corina-Isabela ROM (2255)**
**31st olw final Moscow RUS (12), 1994**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.Nf3 c5 | 3.d5 b5 | 4.Bg5 Ne4 |
| 5.Bh4 g6 | 6.Nbd2 Qa5 | 7.c3 Nxd2 | 8.Qxd2 d6 |
| 9.e4 Bg7 | 10.Be2 Nd7 | 11.O-O Bb7 | 12.a4 bxa4 |
| 13.Qc2 Qd8 | 14.Rxa4 O-O | 15.Rfa1 h6 | 16.Nd2 f5 |
| 17.f3 g5 | 18.Bf2 fxe4 | 19.fxe4 Ne5 | 20.Rxa7 Rb8 |
| 21.Nc4 Qe8 | 22.Bg3 Nxc4 | 23.Bxc4 h5 | 24.Qe2 h4 |
| 25.Bf2 Qg6 | 26.Rf1 Be5 | 27.Bd3 Rf7 | 28.Be1 Rxf1+ |
| 29.Qxf1 c4 | 30.Bc2 Bxd5 | 31.exd5 Qxc2 | 32.Rxe7 Rf8 |
| 33.Qxc4 Qxb2 | 34.Qd3... | | |

**QUESTION :**
**Black wins in 5 moves**

**Puzzle 54 Ans. :**
**57.**Rd7 Nxf3+ **58.**gxf3 Re1#
**57.**...Ne6 **58.**Rh7+ Kg8 **59.**Rxh6 Nf4 **60.**Rh4 Re1+ **61.**Kh2 Rxg2#